
Unique ID No. MN/2015/0088389 of May 2015

RNI 22347
ISSN 2348 - 2044




# ꯔꯤꯇꯨ

# ঋতু

www.culturalforummanipur.org | e-mail:journal.ritu@gmail.com

চেফোঙ
২০৩-২০৪ শুবা মশীং
৬৩শুবা চহীগী
ফেব্রুৱারী - এপ্রিল ২০২২

ꯗ ꯀꯂꯆꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯝ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
**The Cultural Forum, Manipur**
(Recognised by Sahitya Akademi, New Delhi)
Rupmahal Tank, B.T. Road, Imphal

# য়াউফম তাকপা


| | | | |
|---|---|---|---|
| এদিটরগী ৱারোল | ঃ | মণিপুরী লোল, খোরিলোল অমসুং নাৎ চাওখৎনবা হোৎনবা | ৪ |
| অৱাবা ফোঙদোকপা | ঃ | | ৫ |
| ৱারেং | ঃ | য়ুনিভর্সিটিগী শক্তম অমা<br>– থিয়াম যেকেন্দ্র | ৬ |
| | ঃ | মোর্দন মণিপুরী শৈরেংদা তারিবা বাংলা সাহিত্যগী মমি<br>–দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ | ১০ |
| | ঃ | ভারতীয় কাব্যশাস্ত্রগী মিৎয়েংদগী নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা<br>(রস সম্প্রদায়গী মিৎলমদগী)<br>–ইরোম বোবো মৈতৈ, রিসর্চ স্কোলর, এম. য়ু. | ১৫ |
| | ঃ | পৃথিবী শাবা হেঙ্গৎলকপদগী থোরকপা য়াবা অমাঙ–অতা<br>–হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ | ১৯ |
| | ঃ | ৱাকমরেল হিজম অঙাংহলগী "খম্ব–থোইবী শৈরেং"<br>মহাকাব্যদা 'কাও'গী মফম<br>–দা নাওরেম সনাতোম্বা সিংহ | ২০ |
| | ঃ | শল–কাও কাব্যদা লম্মিৎলোনগী মফম<br>–ফিলেম বালেশ্বর সিংহ, রিসর্চ স্কোলর, এম.য়ু. | ২৪ |
| | ঃ | মণিপুরী শৈরেংদা অপাম–নুংশিগী তাইবং<br>–দা নাওরেম বিদ্যাসাগর সিংহ, জি. সি. কলেজ, শিলচর | ২৮ |
| | ঃ | রামেশ্বর শারুংবমগী সিম্বল অমসুং ইমেজরিশিং<br>(কায়রবা চফূ মচেৎ নৈনবা)<br>–দা টি. কুঞ্জেশোর সিংহ | ৩৭ |
| শৈরেং | ঃ | লৈপাকলৈ<br>–হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ | ৪০ |
| | ঃ | নুংশিথোইবা<br>–হাওবম নলিনী | ৪০ |
| | ঃ | ৱাহং<br>–নোংমাইথেম কিরনকুমার | ৪০ |
| | ঃ | শজিবু<br>–সোরোকখাইবম গম্ভিনী | ৪১ |
| | ঃ | থৱায়না পোম্বা<br>–লুক্রাম অনিতা লৈমা | ৪১ |

# মোর্দন মণিপুরী শৈরেংদা তারিবা বাংলা সাহিত্যগী মমি

–দা. সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ

মণিপুরী সাহিত্যদা বাংলা, সংস্কৃতনচিংবা অতোপ্পা লোনগী ঈথিল চঙবা হৌবসি ১৮ শুবা শতাব্দী অসুরাইদগীনি। মণিপুরদা গরিবনিৱাজ মহারাজনা পানবা মতমনি। মহারাজ অসিগী স্নাহাক্তক্তা রামান্দী ধর্ম্ম শন্দোরকপগা লোয়ননা বাংলা লোন্দা ইবা কৃত্তিবাসকী 'রামায়ণ', গঙ্গাদাস সেনগী 'মহাভারত'নচিংবা মৈতৈলোন্দা ইথোকখি। লোয়ননা মণিপুরী জাতিনা হিন্দু ধর্ম্মদা লাইমিং লৌবগা ঈরোইননা 'ভক্তি চরিত', 'লক্ষ্মী চরিত', 'রুপবান', 'দাতা কর্ণ', 'পরিক্ষিত সর্পযজ্ঞ' নচিংবা হিন্দু ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়াসু ইথোকখি। খোঙচৎ অসি ১৮ শুবা শতাব্দীদগী লেপ্তনা চথরকপনা ২০ শুবা চহীচা য়ৌরকপদদি বাংলা লোন অমসুং সাহিত্যগী অকনবা ঈথিল লাকখি। মতমসিদা মণিপুরদা নোংচুপলোমগী শিক্ষা (মহৈ মশীং) শন্দোকপা হৌরকখি। নোংচুপলোমগী শিক্ষাগা খুৎশন্নগা বাংলা লোন অমসুং সাহিত্যসু চৎমিন্নখি। মণিপুরী সাহিত্যগী য়াকাইরোল শকপা কবি খ্বাইরাকপম চাউবা, ডা. কমল, হিজম অঙাংহল, হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র, হিজম ইরাবত, অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ অসিনচিংবনা বাংলা লোন অমসুং সাহিত্যগী লৈহাউদা চাউরকখি। মরম অসিনা কবিশিং অসিগী খুৎইদা বাংলা সাহিত্যগী মমি তারি। তশেংবা হায়রবদা অনৌবা মতমগী মণিপুরী শৈরেং নৎত্রগা সাহিত্যদি বাংলা সাহিত্যগী মথানুংদা চাউরকপনি অদুগা অনীশুবা লাঞ্চাউ মতুংগী মণিপুরী শৈরেংদসু বাংলা সাহিত্য নৎত্রগা শৈরেংগী মশক, মচু, মনম অসি অদুমক কোকপা ঙমদনা লৈরি। বাংলা কবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুর, জীবনানন্দ দাশ, সুভাষ মুখোপধ্যায়, প্রীতিশ নন্দি, সুকান্ত ভট্টাচার্যনচিংবগী ৱাখল, মিৎয়েং, শৈশক, শৈদা মোদর্ন মণিপুরী কবিশিংগী শৈশক্তা থেংনরি।

অনীশুবা লাঞ্চাউ মতুংগী ১৯৪৮–৪৯ অদুৱাইগী রাজনৈতিক, অর্থনৈতিক, সমাজনৈতিকচিংবা মায়কৈ খুদিংদা লৈখা তাৱবা, কাঙখোং চাইরবা সমস্যা উৎপা, লম্মাংনৱবা মণিপুরী জাতিগী মরাইবক অমসুং ভেল্যুজ সিষ্টেমদা মিপাইবগী নিংশা মপী হোন্দুনা ৱাহং কয়া হংখিবা 'মণিপুর' (১৯৪৯) কৌবা শৈরেংগীদমক মোদর্ন মণিপুরী শৈরেংগী অপোকপনি লৌনরিবা কবি এলাংবম নীলকান্তনি। এলাংবম নীলকান্ত অমসুং মাগী মতুংদা থোরকপা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্র, নোংথোম্বম শ্রীবীরেন, থাংজম ইবোপিশক, কাছাড়গী কবি সৌগাইজম ব্রজেশ্বর, তৌরাংবম সনামচা, আব্দুস সহীদ চৌধুরী অসিনচিংবগী শৈরেংশিংদা শাথিনা নীংবা কায়বা, পূন্সিবু থাজরক্তবা, মায়খুম উপ্পা রাজনিতিৱালাশিংগী চীনগা

*মখা লামায় ১১ দা...*

*... লামায় ৯গী মখা*

without fear", অমগা লোয়ননা পুন্সি মরেল অসিদা খোঙ থাংজিনগদবনি। মদু তৌরবতদা য়ুনিভর্সিটিগী অশেংবা শক্তম কায়হন্দবা ঙমগনি। মতমদুদদি, লৈবাক্কী, লৈঙাক্কী অমসুং পুন্নমকী অফবা ওইগনি ■

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং ঃ


১. As quoted by J. Garrey and J. Stangroom in their book, The Story of Philosophy (Quercus, London, 2013)

২. As quoted by Noam Chomsky in his book, For Reasons of State (Penguin Books, New Delhi, 2003)

৩. Thich Nhat Hanh, Old Path White Clouds (Full Circle, New Delhi, 2011)

৪. Will Durant, The Story of Civilization, Vol. 1 (Will Durant Foundation, USA)

৫. Will Durant, The Storyof Civilization, Vol. 4 (Will Durant Foundation, uSA)

৬. আলবর্ট আইনষ্টাইন্না Rabindranath Tagore বু Rabbi Tagore হায়না কৌই।

খুৎকা মান্নদবা শাজৎপু করেন্নবা, বুর্জ্জুৱাজি সিষ্টেম্বু য়ানিংদবগী খোল্লাউ, নিহিলিষ্টিক লইবা সুর, পরম্পরাবাদপু পুমথু-থুগায়রকপা, মোরেল ভেল্যুজগী হ্রাহম্বোক লৈরক্তবা, উক্রোং অহোবগুম্লবা মীওইবগী মশক, হিংনা-হিংনা শিরবা পুন্সিগী নাহেখোলনচিংববু য়েকপদা বাংলা শৈরেংশিংগী মমি তাবা থেংনৈ। থিমেটিক ট্রিটমেন্টদা, অনৌ-অনৌবা সিম্বোলদা, ইমেজরিদা, ষ্টাইল অমসুং টেক্নিক্তা বালাং শৈরেংগী লৈনম চেল্লি। কবি এলাংবম নীলকান্তগী রোমান্টিক সেন্সিব্লিটিদা শাগৎপা শৈরেং খরদা বিশ্বকবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'মানসী' (১৮৯০) দা মানসী প্রতিমা পুথোরকই, 'সোনার তরী' (১৮৯৩)গী 'নীরুদ্দেশ যাত্রা' দা মানসী প্রতিমানা কবিগী ভাগ্য বিধাতা লাইরেম্বীগী রূপ ওইরকই। অদুগা 'চিত্রা' (১৮৯৬)গী 'সিন্ধুপারে' দা আত্মানা ঈথৌলাংনা ফংজগে তান্নজবদু সনাগী হিনাউনা সমুদ্রগী ৱাংমা য়ৌরকপদা পরমাত্মাগী সিম্বোল ওইরিবী মানসী প্রতিমাগা মিলন ওইখি। কবি নীলকান্তগী 'নীংশিংলিবরা মনোরমা?' দা মনোরমাগী প্রতিমা পুথোরকই, 'চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি'দা থাবলগী ঈপাক মথক্তা হিহোনবনা য়ৌঙমদ্রবা লমদমদুদা মবানি পুন্না চৎমিন্নৈ। অদুগা 'নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখী'দদি তারমদাই নুমিৎকী মঙালনা শামখ্রবা মপান নাইদ্রবা অতিয়াগী মখাদা পরমাত্মাগী সিম্বোল লইরিবী চন্দ্রসখীগা মিলন ওইখি। অমুকসু 'নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখী' শৈরেং অসি বাংলা কবি জীবনানন্দ দাশকী 'বনলতা সেন'বু মৈতৈ নুপীগী ফিজোল শেৎতুনা পুথোরকপা ওইনা উই। জীবনানন্দ দাশকী 'বনলতা সেন'দি পরমাত্মাগী সিম্বোল ওইরিবা কল্পনাগী মূর্ত্তিনি, কবিগী প্রেমিকানি। শাংলবা পুন্সি খোঙচৎকী, মপোক লাংলোন কয়াগী তুংদা, খায়ন মৈচাক কয়া খাঙলবগী তুংদা প্রেমিক প্রেমিকা অনীগী মিলন উৎপনি। জীবাত্মানা পরমাত্মাদা তিঞ্জবনি। কবি নীলকান্তগী 'নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখী'দদি কোয়না থিরুবা প্রেমিকানা নোংলৈ নুংশিৎ নৎত্রগা ভূতপ্রেতকী মতৌগুম্না ইখঙ-খঙহৌদনা মনাক্তা লেপ্লদুনা মিলনগী শেম-শারে। মিকুপসিদা পোইন্ট পার্সনা মশামক্না চঙক্লনা রেস্পোন্স অমত্তা পীদবা লৈ। শৈরেং অসি দিলেমা ওইবা পূক্নিং ঈহুল অমা উৎলগা লোৎশিল্লি। অসিগুম্বা দিলেমা ওইবা পূক্নিং ঈহুল অমা উৎলগা লোৎশিল্লি। অসিগুম্বা দিলেমা ওইবা পূক্নিং ঈহুলগী মশকসি কবি নীলকান্তগী খুৎইগী মশক অমনি।

কবি নীলকান্তগী 'মিকপ থোকপা' শৈরেংদা জীবাত্মানা পরমাত্মাদা তিঞ্জনিংবগী ঈথৌ লাংবা, পোকপা শিবা নাইদবগী মুক্তি ফংজবা অদুতবু ঈথৌলাংজরি ঃ

পুবিখো অঙাং অসিমতংদি
চাউজখিবা কোয়শিন্দুনা
নিংথৌ তুরেলনা
অহাংবা অতিয়াদা থাবলদা
পুবিখো মঙালগী ৱাংমদা[১]

শৈরেং মতেকসিদা পল্লিবা 'নিংথৌ তুরেলনা কোয়শিন্দুনা চাউরকপা অঙাং'গী মেটাফর অসি বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'ডাকঘর' হায়বা সিম্বোলিকেল প্লে অদুদা আত্মাগী সিম্বোল ওইনা পুথোরল্লিবা 'অমল'গী চরিত্রবু করম্না নীংশিংদবা ঙমগনি। কবি নীলকান্তগী 'প্রার্থনা', 'কায়নবা' শৈরেং অনীসিদসু বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গীতাঞ্জলি'গী শৈশক শৈদা য়াওরি। অদুগা অমুকসু 'নহাক্কী কৃপানি' হায়বা শৈরেংসিদা হৈরাংনা হৈজিং ফাদ্রিঙৈ, লৈরাংনা ফুগাইনা শাৎত্রিঙৈ, ঈপাক য়ৌদ্রিঙৈ তুরেলনা লৈকংলাদা মাঙখিবা, খাঙভুথক্তা নীংবা থুংদনা পুন্সিনা কেমখিবগীদমক্তা ৱাজবা ফোঙদোক্লি ঃ

শাৎকাইদ্রিবা লৈরাং কয়ানা
ঈচেল মাঙখ্রিবা তুরেল কয়ানা
তুমিন্না মরুভূমিদা[২]

কবিসিগী শৈরোল অসিমক্তি বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'জীবনে যত পূজা' শৈরেংদগী থক্তোরকপা খোন্থাংনিঃ

যে ফুল না ফুটিতে
ঝরেছে ধরনীতে,
যে নদী মরু পথে
হারালো ধারা,
জানি হে জানি তাও
হয় নি হারা।[৩]

লৈ অদো শাৎত্রিঙৈদা
কেনখ্রবা মালেমথক্তা,
তুরেল অদো লৈকংলাদা
ঈচেল খকখ্রবা,
খঙই-নে খঙই মদো
নত্তে মাঙখিবা[৪]

মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা লক্পবা, করেম্নবা, আইরনিগী মফোংদোক অমসুং খৃৎইদা মফম চাউনা কল্লিবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী 'আফ্রিকাগী ৱাখন্দগী' হায়বা শৈরেং অসিদা বাংলাগী বিদ্রোহী কবি হায়না শীংথানরিবা কবি নজরুল ইসলামগী 'অগ্নিবীনা' (১৯২২) দা য়াওবা 'বিদ্রোহী' কৌবা শৈরেংগী অপান্নবা নৎত্রবসু নাকোয়ননা ঈৱায় ঈনিন য়াওরি। লালহৌবগী হনবা নাইদ্রবা অকনবা থৌনা লিংজেন অমদি শীংনবগী ৱাখড়ল্লোনদু কবি সমরেন্দ্রগী শৈরেংদা উবা ফংই। অদুগা অমুকসু 'বারুণীগী অহীং' শৈরেংদা কবি সমরেন্দ্রনা শৈথারিঃ

ঐখোয়দি বিদ্রোহীনি
বসন্তগী সগোল তোংবা লাম্লীনি
থিংবা ঙমদ্রবা মায়ৈগেনি"

লালহৌবগী অকিবা লৈত্রবা শীংনবগী ৱাখল্লোন অসি থেংনবদা কবি নজরুলগী 'ঐদি বিদ্রোহী ভৃগুনি। ঈশ্বরগী থবাক্তা খোঙফম ময়েক থম্লবা বিদ্রোহীনি।' ('বিদ্রোহী') হায়বা শৈশক্তু করম্না নীংশিংদবা ঙমগনি।

মোদর্ন মণিপুরী শৈরেংগী খেশঙচৎতা মশাগী মেনিফেস্টো অমগা লোয়ননা পরম্পরাবাদপু থুগাইদুনা অশাউবা পেন্দবগী খোল্লাউগা লোয়ননা থিমদা, ষ্টাইল-টেকনিকতা, ইদিময়দা চাংয়েং তৌদুনা অনৌবা শৈরেংগী মূর্ত্তি শাগৎখিবা শ্রীবীরেননি। কবি অসিগী 'মপাল নাইদ্দবসিদা ঐ' (১৯৮৯), 'সনাগী কৈরাক' (২০০১) তা য়াওবা শৈরেং খরদাবিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথকী 'গীতাঞ্জলি'গী শৈশক শৈদা অমসুং ৱাখল মিৎয়েং থেংনৈ। বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গীতাঞ্জলি'গী শৈশক শৈদা অমসুং ৱাখল মিৎয়েং থেংনৈ। বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গীতাঞ্জলি'দা শিববু লুহোংবা ওইনা, অদুগা জীবাত্মা অমসুং পরমাত্মা অনী তিন্নববু বর কন্যা অনীনা লুহোংবগী সয্যাদা মিলন ওইবা মশক ওইনা উৎলি। অসুন্না কবি শ্রীবীরেনসু পুন্সিগী খোঙচৎসে থৱায়না নুংশি লমদম পাংবনি, নুংশিবীনা নুংশিববু উনবা চৎপনি হায়না 'থৱায়দা মচু শঙলক্কদ্রা' কৌবা শৈরেংদা ফোঙদোকইঃ

পুন্সিগী খোঙচৎতি
থৱায়না
নুংশি লমদম পাংবনি
নুংশিবীনা নুংশিববু উনবা চৎপনি
য়াম্না ঈথৌ লাংনা"

কবি শ্রীবীরেনগী অকোনবগী 'চৎলোইকো ঐ মফম কদাইদসু' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং খরদদি ৱাখল, মিৎয়েংদা, সুরদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ঈথিল চঙই।

কবি শ্রীবীরেনগী মতুংদা থোরকপা থোইদোক্লা শীংথানরিবা কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেংশিংদসু বাংলা শৈরেং নৎত্রগা সাহিত্যগী মহাউ, লৈনম, মচু উবা ফংই। কবিসিগী 'ভূত অমসুং মায়খুম' (১৯৯৪)গী লৈচন ওইরিবা 'খ্বাইরমবন্দ বাজারঃ ঐগী নুপী য়ুম্বান তোয়রবী' শৈরেং অসিমক বাংলা কবি প্রীতিশ নন্দিগী 'Dhritarastra Downtown: Zero' (1974) গী মমি তারি। Dhritarastra Downtown: Zero দা কবিনা শহরগী কাঙখোং চাইরবা ফীভম, অমোৎ অকায়, ওক্তবা-ওক্তবীশিংগী মশাইগোন ওইরিবা, মীওইবগী শেন্দোংগীদমক তাংকী লাল্লোং, মোরেল ভেল্যুজনা হামচৎনরবা মশক কয়া য়েকপগুম কবি ইবোপিশক্কসু খ্বাইরমবন্দ বাজারগী মোৎলবা মশকশিংবু শৈথারি। কবিসিগী 'কামরাঙ্গা' হায়বা নোষ্টালজিক ফিল্লিং উৎপা শৈরেংসিদা নুংকৌ তুরেল ৱাংমগী মশক মমিং খঙদ্রবা অথাপ্পা চীংদোনগী উপাল-ৱাপালশিংনা কবিবু 'লাক্লো-লাক্লো' হায়না কৌরক্লি। কবিগী খম্নুং শৱা তানত্রবা মপাইবুংঙো, মপুথৌ, মবেনথৌ পুম্নমক্কী লৈফমনি হায়না কল্পনাগী ভিজন্দা উরি। তুরেলগী সোমথংবা তোর্ব্বান্দা অহিংবশিংগী লৈফম অমসুং অসোম ৱাংমদনা অশি লৈবাক ওইনা মেটাফর শাগৎলি। অহিংববু অশি লমদমনা খৃৎলাম তোয়না তৎতনা 'লাক্লো লাক্লো' কৌরক্লি। ইমেজরী অসিমক্তি বাংলা কবি শক্তি চট্টোপাধ্যায়গী 'যাতে পারে কিন্তু কেন যাবো' (চৎপদি ঙম্মী অদুবু করিগী চৎকনি) শৈরেংদা পোৎলোয়বগী শীংজা মপৈনা, অথাপ্পা লমদমনা কৌরকপদু নীংশিংহল্লি। কবিসিগী 'চেক্লা অনী' শৈরেং অসি বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'দুই পাখি' শৈরেংগী উফমদা শাগৎপনি হায়দবা ঙমদে। পরমাত্মা অমসুং জীবাত্মা শাগৎপনি হায়দবা ঙমদে। পরমাত্মা অমসুং জীবাত্মা অনীনা মায়োন তিন্নদনা উশা অমত্তদা তোংমিন্নবা চেক্লা অনীগুম কবিনা উৎলি। পঞ্চভুতকী হকচাংনা তাইবংগী অরোইবা পম্বুং য়ৌরকপদদি অনী অসি পুন্না

পাইমিন্নখি, অমত্তা ওইখি, অনৌবা পঞ্চভূতকী হকচাংদা অমুক কায়দোংফম ফংই।

হে উচেক অনী, হৌজিক্তি
করম্বা শকখঙদ্রবা ইঙ্গিৎ অমনা
তিন্নরমদ্রবা থম্মোয় অনীবু
তিন্নবা খোঙচৎতা পুরক্লবা?
... ... ...
ঙাইরিনে তাইবঙগী অরোইবা খোঙজীন্না
খোঙ লাওনা হাংলদুনা
অনৌবা কায়দোংফম পীননবা'

বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'দুই পাখি' দা লমগী চেক্লা অমসুং পোনগী চেক্লা অনীবু পরমাত্মা অমসুং জীবাত্মাগী সিম্বোল ওইনা পুথোরকই। পোনগী মশক ওইরবা পঞ্চভূতকী হকচাংনা চেক্লা অনীসিবু ৱাংমা ৱাংমদা থম্লি। অদুবু অরোইবদদি অনীগী মিলন উৎলি। শিরবা মতমদতা চেক্লা অনীগী মিলন ওই। ৱাখল্লোন অসি থাংজম ইবোবিশক্কী 'চেক্লা অনী' শৈরেংদা উৎলি।

কবি চাউবগুম্না শিবগী খনবদা নীংবা কায়বা, থনুংদগী খোরকপা অৱাবগী সুর, হীক্লা তেংথা-নাওইবা রোমান্তিক এগোনিগী সুর কবি ইবোপিশক্কী শৈরেংশিংদা থেংনৈ। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'জীবনে যত পূজা' শৈরেংদা তুরেলনা লৈকংলাদা মাঙখিবা, লৈরাংনা লৈখেশক্তগী খাংঙুথক্তা কেনখিবা পুম্নমক মাঙখিবা নত্তে, কদায়দনো অমদা তিনখিবনি, মায়াগী তাইবংসিদা শিবনা অরোইবা নত্তে হায়বগুম কবি ইবোপিশক্কী 'দিসেম্বরগী থাজিন্নদা ইবা' শৈরেংসিদা থক্তোরকপা খোম্থাংদু থেংনৈঃ

হৌজিক্তি লীক্লাশিংনা তারক্লে,
মখোক লোয়ররবা অকংবা উনাশিংনা
কেল্লক্লে উকুল্লক্তা চোইনা চোইনা।
কেনৱশনু মখোয়সু কেনবগী মতম্না লাক্লবনিনা।
কেনখিবা পুম্নমক মাঙখিবা নত্তে
মখোয় কদায়দনো য়াওরমগনি।"

কবি ইবোপিশক্কী 'শকুন্তলা অহাঙবা হকচাং' শৈরেংদা নুপীগী কামগী মশক ওইরবা হকচাং কয়াংকী মূর্তিশিংবু চংখোনবা ইমেজরীশিংনা শাগৎতুনা উৎপদা করি-করিগুম্বা মতাংদা কবি জীবনানন্দ দাশপু নীংশিংহল্লি। কবি জীবনানন্দনা 'শঙ্খমালা' শৈরেংদা নুপীগী সেন্সুয়েল ওবজেক্টপু 'অথোংপা মোইবুং'গী মেটাফরনা ফোংদোকপগুম কবি ইবোপিশকসু মেটাফর অসিমক শীজিন্নরিঃ

তুরেলগী লৈরাই হামজিনবদা
কনাগুম্বা অমত্তগী খৃৎনা শোক্লিবা
ঙঙ্গোনবা মোইবুং অমা
কৈদগীনো উচান মনা খরনা কৃপ্লি।"

কবিসিগী 'ঐগী দেবদাস' শৈরেংসি বাংলা উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী নুংশি পিখম্নবা উপন্যাস 'দেবদাস'কী ৱারীদা শাগৎপনি। দেবদাস অমসুং পারুগী অমকপা য়াওদ্রবা অমর ওইরবা নুংশিববু কবিনা খোয়দাজবা উৎপনি। 'লম্বতাগী নুমিদাংৱাই' হায়বা পুন্সিগী ফিলোসোফি উৎপা, উচেক-শঙ্গুনা য়াচংলকপদা মহুমতম্না হনখিবগুম তাইবং পুন্সিসু হৌরকফমদা তিনখিনি ফোঙদোকপদা শীজিন্নরিবা 'অচোংপা লৈবাক্লী মনম্না মালংদা শব্দোক্তবদগী হঞ্জিল্লকই মশাদা।' হায়বা ইমেজরী অসি জীবনানন্দ দাশকী 'বনলতা' সেন'দা শৈথারিবা ইমেজরী অদুমক্তি। 'মূর্তি লাৎপা' হায়বা শৈরেংসিদি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গোরা' উপন্যাসয়গী ৱাখল্লোন্দা শাগৎলি। মূর্তি হায়বসি ঙমখৈ নাইবনি। অদুবু তাইবং মপুদি ঙমখৈ নাইদ্রবনি। মরমদুনা ঙমখৈ নাইদববু ঙমখৈ নাইবা মূর্তিগী শক্তমদা ঈরাৎপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপদু কবি ইবোপিশক্লা পামজনা শৈথারি। 'ৱা অমত্তা হংবিয়ু' হায়বা কবি ইবোপিশক্কী শৈরেং অসিসু বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'বলাকা' (উরোক শঙ্গু)দা যুম্ফম ওইদুনা শাগৎলি। কবি ইবোপিশক্লা পুন্সিগী পংখৈসি অশি লমদম পাংবরা, মফমদুদা শান্তি লৈবরা হায়না য়াচংবগী মহুম তম্না পাইরিবা উরোক শঙ্গুদা হংজরি। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'বলাকা'দা উৎলিবা অরেংবা প্রকৃতিগী পোৎলমশিং উবদা লেংদবা প্রকৃতিগী পোৎলমশিংনা লেংনিংলকপা, লোয়ননা উরোক শঙ্গুনা পাইবা উবদা খিলম তোর্বানগী নাপী শীংবী, উপাল ৱাপাল, লোইবী চীংশাংশিং খুদিংমক তুফাং খগুনা পাইবগী অঙকপা সুরিয়েলিষ্টিক ওইবা ইমেজরী অমসুং নুংগী ৱাখল্লোন অদুদি কবি ইবোপিশক্লা শোক্লবা ঙমদে। কবিসিগী 'কল্পনা' শৈদেসু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'সোনার তরী' (সনাগী হি) শৈরেংগী ঈথিল চঙই। চাকনিবা অমনা পোইট পার্সনাগী মফমদা ভিক্ষা নিরে। পোইট পার্সনানা 'অতিয়াগী মচেৎ অমা লৌরো' হায়, অদুবু চাকনিবনা 'মদুদি

হাপফম লৈজদে থম্মোয়গী খাউসে য়াম্না পীকই' হায়রে। মপান নাইদববু মপান নাইবদা হাপচিনবা চনদে হায়বা নুংগী ৱাখল্লোনদুনি। 'সোনার তরী' শৈরেংদনা সনা ফৌ হিবোৎ থন্না হাপ্পবা তুংদা লৌমীনা মা-মশাবুসু সনাগী ৱাকয়ে হিদা তোংজগে হায়রে। অদুবু সনাগী ফৌনা পীক থনখ্রে, লৌমীগী তোংফম লৈত্রে হায়না হিহোনবনা খুম্মী, মফোংদোক্তবু মান্নরুবনি, নুংগী ৱাখল্লোনদি য়াম্না খেন্নে। 'সোনার তরী'দি তাইবং মপুনা মীওইবগী কর্ম্ম ফল নৎত্রগা ভক্তিবু তরাম্না লৌশিল্লি, পঞ্চভুতকী হকচাং পোল্লাংবু নত্তে হায়বদু উৎপনি। কবি ইবোপিশক্কী 'দ্রৌপদী' শৈরেংসিদা মহাশ্বেতা দেবীগী 'দ্রৌপদী' কৌবা ৱারীমচাগী মপুং ওইবা চরিত্র ওইরিবী লালহৌবী সন্তালী দ্রৌপদীবু সিম্বোল ওইনা পুথোরকই। মপুরোইববু ভারতকী লাম্মীশিংনা ফাদুনা হাৎথ্রবা, দ্রৌপদী মশামকসু রেপ তৌবিরিবা, অদু ফাওবা নীংহন্নবা লৈত্রবী সন্তাল নিংঙোল দ্রৌপদীবু থৌনা ফরবী মৈতৈ নুপীগী সিম্বোল ওইনা উৎলি।

কাছাড়গী মোদর্নিষ্ট কবি সৌগাইজম ব্রজেশ্বরগী শৈরেংশিংদসু বাংলা কবি সুভাষ মুখোপাধ্যায়গী মমি তাবা থেংনৈ। বাংলা কবি সুভাষ মুখোপাধ্যায়না 'প্রিয়, ফুল খেলবার দিন নয় অদ্য' (নুংশিবা, লৈরাংগা মখে লাংবা নুমিৎ নত্তে ঙসিদি) হায়না 'মে দিনের কবিতা' শৈরেংদা হায়বগুম্না কবি ব্রজেশ্বরসু লৌমী-শিন্মীগী ৱারবা পুন্সিবু 'লৈগী পরেং পুদুনা ঐহাক মালেম কোয়নিংদে' হায়না লাউরকই। লৌমী-শিন্মীগী ফংকম থোকপা চাকথুং ফংদবদগী খোয়শাউনদুনা কেপিটেলিষ্ট নৎত্রগা লৌপু জমিদারশিংগী মায়োক্তা হৌখিবা, মীশি-মীনা কয়া থোকখিবা, লৌবুক্তা ঈ-নাই তাখিবা 'তে-ভাগা' (১৯৪৮-১৯৪৯) আন্দোলনগী হকথেংনবা ঈথিল কবি ব্রজেশ্বরগী শৈরেংশিংদা থেংনৈ। লৌমী-শিন্মীশিংগীদমক্তা পাম্বোম তিংখিবা বাংলা কবি সুভাষ মুখোপাধ্যায়গা মিৎয়েং অসিদা কবি ব্রজেশ্বরগা থোয়দোক্না নকনৈ। বরাক তম্পাক্কী কবি খৈরুদ্দীন চৌধুরীগী 'তোর্ব্বানসিগী অশৈবা ওইনা' শৈরেংসি পারুরগা ৱাখল মিৎয়েং, ইমেজরীনচিংবদা কবি জীবনানন্দ দাশকী 'রূপশ্রী বাংলা' লাইরিক্তা য়াওবা 'আবার আসিব ফিরে ধানসিড়িটির তীরে' (হন্নকখিনি অমুক ধানসিড়িগী তোর্ব্বানসিদা) নীংশিংদবা ঙমদে। পল্লিবা খৈরুদ্দীনগীশৈরেংসিদা 'মনা পুংবা হিজোল পাম্বীগী মশাদা / ইরংলংবা পাৎশিংদুগী লাইজথক্তা', অসিদসু নত্তনা 'তোর্ব্বান্দা উরম্মী উমাইবী অমসুং লংজা খরসু / মশা ফৌদুনা লৈহৌবা' হায়বা ইমেজরীশিংসি হেক থেংনবদা অপাবশিংনা কবি জীবনানন্দ দাশপু মীৎতা হেক্তা উরক্কনি। কবি সনামচাগী 'কৈদৌঙৈ চিঠি লাক্কনি' শৈরেংদা পরমাত্মা অমসুং জীবাত্মাগী অমনা অমবু ঈখৌ লাংনবা উৎলি। শৈরেংসিদা পরমাত্মানা খুৎলাম তোয়না কৌরকপগী চিঠি ঙাইদুনা, তিন্নবগী অরোইবা মিকুপ ঙাইদুনা লৈ। 'খোঞ্জেল খোক্তবা ৱারী'দদি লাপ্পা উরিবা খাঙপোক্কী মৈরানা কৌরক্তুনা অনাবা ওইরম্বা জীবাত্মানা লোনশিল্লম্বা থোঙ-থোঙনাউ পুম্না নমখায়দুনা চংখি। মপান নাইদবদা তিনখি। শৈরেং অনীসি পুনশিন্দুনা য়েংবদা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী সিম্বোলিকেল প্লে' ডাকঘর'গী শক্তম লৌরকই। বরাক তম্পাক্কী কবি আব্দুস সহীদ চৌধুরীগী 'সনামচুগী অয়ুক' (১৯৯২) তদি রেমান্টিসিজমগী সুরদা অচুম্বা ফজবা, নুংশিববু থিবনি / শিরগা লোইবা পুন্সিদা মাঙবা নাইদবা মঙালবু তান্নজবনি / ঙাইজবগী অৱাবসি লীশাং-শীংনা দিসকোর্স অমা ওইনা চথরকই। মধুর রসকী খোয়থুম্নবা মহাউ য়েল্লি। ষ্টাইল, টেকনিকতা, ৱাখল-মিৎয়েংদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গীতাঞ্জলি' (১৯১০) গী উফমদা হাপ্তুনা শাগৎলি।

লান মমাঙগী মণিপুরী শৈরেংদা বাংলা সাহিত্যগী অকনবা ঈথিল লৈ। বাংলা সাহিত্যগী ঈথিল লৈবতা নত্তে, বাংলা সাহিত্যগী নাউশুমদা মণিপুরী শৈরেংবু নাউয়োক-নাউকোল্লকপনি হায়দবা ঙমদে। লান মতুংগী মণিপুরী শৈরেংদসু বাংলা সাহিত্য নৎত্রগা শৈরেংগী মমি তাবা উবা ফংই। তৌইগুম্বসুং লান মমাঙগী মণিপুরী সাহিত্যগুম্না বাংলা সাহিত্যগী নাউশুমদা লৈরিবা শক্তমদুদি নত্তে। লান মতুংদদি মণিপুরী শৈরেংগী মশাগী শক্তম অমা মশেক-মঙালগা লোয়ননা লৈজরি। মশাগী শক্তমসু হেন্না মচু থোরক্লবা, চুমথাংগী ফজববু লোক্লবা হোৎনবদা কলাগী হৌনশা অমনা অমগী শৈশক শৈদা, ৱাখল মিৎয়েংগী ঈথিল ফংবনি হায়দবা ঙমদে ■


**মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং–**

১। এলাংবম নীলকান্ত, *তীর্থযাত্রা,* পি এস পব্লিকেসন্স, মণিপুর, ১৯৯৬, লাঃ ৬০।

*... লামায় ১৪গী মখা*

২। এলাংবম নীলকান্ত, *পূক্লিং লৈকোনগী অথুপ্পদা*, রাজ পব্লিকেসন্স, মণিপুর, ২০০০, লাঃ ২৮।

৩। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর, 'জীবনে যত পূজা', *গীতাঞ্জলি*, পুনশ্চ, কলকতা, ২০০২, লাঃ ১৬৫।

৪। অশাংবম মীনকেতন, সুরেন্দ্রজিৎ, এলাংবম নীলকান্ত, মাইবম হরিচন্দ্র, অয়েকপম শ্যামসুন্দর, অরিবম ব্রজবিহারী শর্ম্মা, খেশমদ্রাম ধনচন্দ্র, রা.কু. শীতলজিৎ, *রবীন্দ্র নাচোম* (অহানবা শরুক), অনীশুবা খুৎনম, সাহিত্য অকাদেমি, নিউ দিল্লী, ২০০৩, লাঃ ১৫৮।

৫। লাইশ্রম সমরেন্দ্র, *লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী অপূনবা লাইরিক*, পোক্লফম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল, ২০১২, লাঃ ১৬৪।

৬। শ্রীবীরেন, *মপাল নাইদবসিদা ঐ*, রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল, ১৯৮৯, লাঃ ১১।

৭। থাংজম ইবোপিশক, *ভূত অমসুং মায়খুম*, রাইটরস ফেশরম, ইম্ফাল, ১৯৯৪, লাঃ ৬০।

৭। থাংজম ইবোপিশক, *শ্রীমতী তোমচা বাবু*, রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল, ২০০৭, লাঃ ১২৭।

৯। থাংজম ইবোপিশক, *ভূত অমসুং মায়খুম*, রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল, ১৯৯৪, লাঃ ৩১।